# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, MONDAY, JULY 23, 2018 PAGE 7






*জিম্বাব্বেগা ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ৱান দে মেটচতা রন ৮৫ লৌদুনা ফোর্মেট অসিদা খ্বাইদগী থুনা রন ১০০০ য়ৌবগী অনৌবা রেকোর্দ থম্বা ঙমখ্রবা পাকিস্টানগী বেটস্‌মেন ফাখার জামান*

*স্বিটজরলেন্দদা পাঙথোকখিবা গাষ্টাদ দব্লিয়ুটিএ ইভেন্টকী ফাইনেলদা লুজেমবর্গকী মেন্দি মিনেলাবু মায়থিবা পীদুনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রবী ফ্রান্সকী শান্নরোই এলিজ কোর্নেটনা ত্রোফি চুপ্পুনা হরাওবা*

## ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা থাইলেন্দগী কুনলাভুট ভিটিদসার্নবু ফাইনেলদা মায়থিবা পীদুনা এসিয়া জুনিয়র চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী সিঙ্গলসকী গোল্ড মেডল লৌখ্রে

*জাকর্টা, জুলাই ২২ঃ*

ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী কোনুং জাকর্টাদা থা অসিগী ১৪ দগী চথরকপা য়ুএস দোলর ৩৫৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা এসিয়া জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা থাইলেন্দগী কুনলাভুট ভিটিদসার্নবু মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।



*এসিয়ান জুনিয়র চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী সিঙ্গলসকী গোল্ড মেডল লৌখ্রবা ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেন (ওইদগী অনীশুবা)*

এসিয়ান জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ৬শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা নম্বর ৱান সিদেদ থাইলেন্দগী কুনলাভুট ভিটিদসর্নবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিবা পীদুনা কাঙলুপ অসিগী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেম অদু ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেন অমসুং থাইলেন্দগী কুনলাভুট ভিটিদসর্ননা হৌবদগী হৌনা পোইন্ট মান্ন-মান্নদুনা লাকখি।

অহানবা গেম অদুগী লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা খরা হেন্না ফজখিবদগী থাইলেন্দগী কুনলাভুট ভিটিদসর্নবু য়াম্না নক্নবা স্কোরদা ২১–১৯ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদু গেম অমা মাঙজিল থাখি।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা ঙরাং শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৪শুবা সিদেদ ইন্দোনেসিয়াগী লিওনার্দো ইমানুয়েলবু ২১–৭, ২১–১৪ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অমরোমদা নম্বর ৱান সিদেদ থাইলেন্দগী কুনলাভুট ভিটিদসর্ননর ঙরাং শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনাগী বাই য়ুপেংবু ২১–১৪, ২১–১২ দা থোইরম্বনি।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা গেম অমা মাঙজিল থাদুনা লৈখ্রবা মতুং অনীশুবা গেম অদুদসু শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্লদুনা শান্নরকখি।

অনীশুবা গেম অদুদসু লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা ফজবা হেনখিবদগী নম্বর ৱান সিদেদ থাইলেন্দগী কুনলাভুট ভিটিদসর্নবু ২১–১৮ দা মায়থিবা পীরম্লগা কাঙলুপ অসিগী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

এসিয়ান জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা ২শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনাগী ঝৌ মেংনা ৩শুবা সিদেদ অতোপ্পা চাইনাগী শান্নরোই ৱা ঝিয়িবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিবা পীরম্লগা গোল্ড মেডল ফংখি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেম অদুগী অহানবা গেম ৱাং ঝিয়িনা য়াম্না কোম্না ঝৌবু ২১–৯ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

গেম অমা মাঙজিল থারবী ৱাং ঝিয়িংনা অনীশুবা গেম অদুদা হেন্না ফজরক্তুনা ঝৌবু নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমদুনা শান্নরকখিবদগী গেম অদু ২১–৮ দা থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলস গোল্ড মেডল অদু লৌবা ঙমখিবনি।

জুনিয়র গার্লসকী ঙসি শান্নখিবা দবলসকী ফাইনেলদা ৪শুবা সিদেদ ইন্দোনেসিয়াগী ফেব্রিয়ানা দ্বিপুজি কুসুমা অমসুং রিবকা সুগিয়ার্টোনা ৩শুবা সিদেদ পেয়র মালেসিয়াগী পিয়রলি টান কুং লি অমসুং টো ই ৱৈবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১২, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীরম্লগা কাঙলুপ অসিগী গোল্ড মেডল লৌখি।

এসিয়ান জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী দবলসকী ফাইনেলদা অহানবা সিদেদ পেয়র চাইনাগী দি ঝিজিয়ান অমসুং ৱাং চাংনা ৩শুবা সিদেদ অতোপ্পা চাইনাগী পেয়র লিয়াং ৱৈকেং অমসুং সাং য়িচেনবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ১৮–২১, ২৪–২২, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীরম্লগা গোল্ড লৌখি।

এসিয়ান জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা ২শুবা সিদেদ পেয়র চাইনাগী গুৱো ঝিনৱা অমসুং লিয়ু ঝুৱাঝুৱাননা ৬শুবা সিদেদ সাউথ কোরিয়াগী পেয়র ৱাং চান অমসুং জিওং না-ইয়ুনবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা তৌনরবা মতুং ১৫–২১, ২১–১৯, ২১–১৫ দা থোইরম্লগা কাঙলুপ অসিগী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

## ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দ ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে, আয়রলেন্দনা য়ুএসএবু ৩–১ দা থোইদুনা পুল 'বি' গী মকোক ওইরি



*লন্দন, জুলাই ২২ঃ*

ইংলেন্দগী কোনুং লন্দনদা ঙরাং অথেংবদগী হৌখিবা হোক্কি ব্রুমেন্স ৱার্ল্ড কপকী পুল 'বি' গী অহৌবা মেটচতা ইন্দিয়া অমসুং য়ুম্বু ইংলেন্দ পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে। আয়রলেন্দনা য়ুএসএবু পাঞ্জল ৩–১ দা থোইদুনা পুল 'বি' গী মকোক ওইখ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দনা শান্নখিবা অহানবা মেটচ অদু য়াম্না লম্বা মান্নখিবদগী অহানবা ক্বার্টর শান্নবা লোইশিনখিবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা ক্বার্টর হৌরকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা ইংলেন্দগী মায়োক্তা এটেক কয়া চথ্দুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। শান্নবগী ২৫শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কি শান্নরোইশিং অদুনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা নেহা গোয়লনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা চল্লবা মতুং ইন্দিয়ানা ইংলেন্দবু ১–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা অহুমশুবা ক্বার্টর চঙশিল্লকপদা পাঞ্জল অমা শোত্থদুনা লৈরিবা ইংলেন্দগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনদুনা এটেক কয়া তৌরকখিবশিং অদু ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা অরেম্বা তাহন্দুনা থমখি। শান্নবগী ৪৯শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই মোনিকা মেটচ অদু কন্দক্ত তৌখিবা রেফরিনা গ্রিন কার্ড উৎতুনা তাম্হোকখিবদগী ইন্দিয়াগী শান্নরোই ১০ দমক ঙাইহৌখি।

শান্নরোই অমা ৱাৎপগী খুদোংচাবা লৌদুনা ইংলেন্দগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথরকখ্রবসু পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনসু ইংলেন্দগী মায়কৈদা এটেক চথ্দুনা শান্নরকখিবা অদু টিম অনীগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল লৈনদনা অহুমশুবা ক্বার্টর লোইশিনখিবদা ইন্দিয়ানা ইংলেন্দবু ১–০ দা হেন্দুনা চৎখি।

মরিশুবা অমদি অরোইবা ক্বার্টর অদু শান্নরকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অমা ৱাৎখ্রবসু ইংলেন্দগী শান্নরোইশিং অদুবু নিংথিনা মায়োক্লদুনা শান্নবা ঙমখি।

শান্নবগী ৫৪শুবা মিনটতা ইংলেন্দগী শান্নরোইশিংনা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমা টিম অদুগী শান্নরোই লিলি ওসলিনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা টিম অনীমক ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

মেটচকী লেমহৌবা মিনট ৬ রোমগী মতম অদুদা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়া অমসুং য়ুম্বু ইংলেন্দ পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎলগা লোইশিনখি।

গ্রুপ অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা আয়রলেন্দনা য়ুএসএবু পাঞ্জল ৩–১ দা থোইদুনা গ্রুপ অসিগী মকোক ওইবা ঙমখি।

শান্নবগী ৫শুবা মিনটতা আয়রলেন্দগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ফিল্ড গোল অমদা দৈরদ্রে দ্যকনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা য়ুএসএবু ঙন্না ১–০ দা হেন্দুনা চৎখি।

এটেক হেন্না চথ্দুনা শান্নবা ঙমখিবা আয়রলেন্দগী শান্নরোইশিংনা ১২শুবা মিনটতা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা পেনাল্টি কোর্নর অমদা টিম অদুগী শান্নরোই সিরলি মেককেনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

শান্নবগী ১৫শুবা মিনটতা য়ুএসএগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা পেনাল্টি কোর্নর অমদা মারগোক্স পাওলিনোনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌদুনা পাঞ্জল ১–২ দা শোত্থরবা মতুং অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক লম্বা মান্নরকখি। শান্নবগী ৪১শুবা মিনটতা আয়রলেন্দগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা আয়রলেন্দনা য়ুএসএবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

হোক্কি ব্রুমেন্স ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা পুল 'এ' গী মেটচ অমদা ইটালিনা চাইনাবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি। ইটালিগী পাঞ্জলশিং অদু শান্নবগী ১৭শুবা মিনটতা বেলেন্টিনা ব্রাকোনিনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। অনীশুবা পাঞ্জল অদুনা শান্নবগী ৩২শুবা মিনটতা পেনাল্টি কোর্নর অমদা লারা ওভেদোনা চল্লবা মতুং অহুমশুবা পাঞ্জল অদুনা শান্নবগী ৫৪শুবা মিনটতা গুইলিয়ানো রুগিয়ররিনা চন্দুনা মেটচ অদু মায় পাকখিবনি।



*ইন্দিয়াগী শান্নরোই অনীনা ইংলেন্দগী মায়োক্তা অহানবা পাঞ্জল চনখিবদা হরাওবা ফোঙদোকপা*

## চাইনানা ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরম্বদগী ব্রিক্স য়ু–১৭ ফুটবোল টুর্নামেন্টতগী মপান থোকখ্রে

*জোহেন্সবর্গ, জুলাই ২২ঃ*

সাউথ অফ্রিকানা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি জোহেন্সবর্গতা চথরিবা ব্রিক্স য়ু–১৭ ব্রুমেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা চাইনানা ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরম্বদগী ইন্দিয়া টুর্নামেন্ট অসিগী মপান থোকখ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং চাইনানা ঙসি শান্নখিবা মেটচ হৌরকপদা য়াম্না লম্বা মান্নরা শান্নরকখি। মিনট ২০ রোম হৌজিনখ্রবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

শান্নবগী ২৫শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা ফ্রি কিক অমা ফংখিবা অদু কাওশিনবদা চাইনাগী শান্নরোইশিংনা কাওথোরকখিবা বোল অমা ফিভম চানা লৈরিবা মনিসানা কাওশিনবদা পাঞ্জল ওইদুনা ইন্দিয়ানা চাইনাবু ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মিনট খরা অদুদা পাঞ্জল অমা শোত্থদুনা লৈরিবা চাইনাগী শান্নরোইশিংনা এটেক কয়া চথ্দুনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনরকখ্রবসু ইক্বেলাইজর ফংবা ঙমদনা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হেক হৌরকপদগী পাঞ্জল শোত্থদুনা লৈরিবা চাইনাগী শান্নরোইশিংনা হঞ্জিন-হঞ্জিন এটেক কয়া চথ্দুনা ইন্দিয়াগী গোলকিপর অর্চনাবু অৱাবা কয়া পীখি।

ইন্দিয়াগী গোলকিপর অর্চনানা পাঞ্জল ওইবা য়াবা চাইনাগী সোট কয়া কনবা ঙমখি। শান্নবগী ৭৫শুবা মিনটতা চাইনাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা পাঞ্জল ওইখিবদগী ইন্দিয়া অমসুং চাইনা পাঞ্জল ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

শান্নবগী ৮২শুবা মিনটতা চাইনাগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ২–১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

পাঞ্জল অমা শোত্থদুনা লৈরিবা ইন্দিয়াগী চহী ১৭ মখাগী নুপাগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা ময়াম অমা মাঙজখিবদগী ইক্বেলাইজ ওইবা ঙমখিদনা মেটচ অদু চাইনানা মখোয়বু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরম্বদগী ব্রিক্স য়ু–১৭ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকখি।

## মণিপুরগী কমলাগা লোয়নননা সুনিল ছেত্রিনা এআইএফএফকী মকোক থোংবা এৱার্দশিং ফংখ্রে

*মুম্বাই, জুলাই ২২ঃ*

মণিপুরগী নুপী ফুটবোল শান্নরোই কমলা দেবীনা ব্রুমেন ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখ্রে অদুগা ইন্দিয়াগী নুপা ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা প্লেয়র ওফ দি ইয়র এৱার্দ লৌখ্রে।

মণিপুরগী কমলা দেবীনা অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ান ব্রুমেন্স লীগতা মণিপুরগী ফুটবোল ক্লব ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নবু ফাইনেল য়ৌহনখিবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা অদুগীদমক ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এআইএফএফ) না কমলা দেবীবু ব্রুমেন ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়রগী মনা ফংবা ঙমখিবনি।









ঙসি মুম্বাইদা পাঙথোকখিবা এআইএফএফকী ইকজিক্যুটিভ কমিতিগী মীফমনা ইন্দিয়াগী সেনিয়র নেসনেল টিমগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিবু প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মনা অদু পীখিবনি।

সুনিল ছেত্রিনা চৎলিবা চহী অসিদা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনেল অমসুং দোমেষ্টিক টুর্নামেন্টশিংদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎখিবা অদুনা মরম ওইরগা লেমজনিংঙাই ওইরবা মনা অসি মঙোন্দা পীখিবনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ইকজিক্যুটিভ কমিতিগী মীফম অদুদা ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান গেমস অসিদা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম্না শরুক য়াখিদবা অদুগী মতাংদসু খন্নখি হায়রি।

মণিপুরগী অতোপ্পা নুপীগী ফুটবোল শান্নরোই ই পান্থোইনা ইমরজিং ব্রুমেন ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখি। ইমরজিং প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মনা অদুনা অনিরুধ থাপানা লৌবা ঙমখি।

বেষ্ট গ্রাসরুট্‌স দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রাম ওফ দি ইয়রগী মনা অদুনা কেরলা ফুটবোল এসোসিয়েসননা ফংখি।

## ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু ৪–০ দা থোইদুনা সেরিজ ৩–০ দা লৌখ্রে

*বেঙ্গালুরু, জুলাই ২২ঃ*

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা ন্যু জিলেন্দগা শান্নরিবা মেটচ ৩ গী হোক্কি টেষ্ট সেরিজ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা অমদি অরোইবা মেটচতা ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীরগা সেরিজ মেটচ ৩–০ দা লৌখ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং ন্যু জিলেন্দনা শান্নখিবা অরোইবা মেটচ অদু ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৮শুবা মিনটতা ইন্দিয়ানা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমদা রুপিন্দর পাল সিংহনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

শান্নবগী ১৫শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা সুরেন্দর কুমারনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ন্যু জিলেন্দবু ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মিনট ১৫ রোম অদুদা ন্যু জিলেন্দগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্নবা চথরকখিবা এটেকশিং অদু মায় পাকপা ঙমদনা লৈখি। অমরোমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনসু মখা তাবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মেটচকী ৪৪শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগী মখা তাবা এটেক অমদা মন্দিপ সিংহনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ন্যু জিলেন্দবু ৩–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

ন্যু জিলেন্দনা পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৬০শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা অকাসদিপ সিংহনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৪–০ দা ন্যু জিলেন্দবু থোইদুনা সেরিজ ৩–০ দা লৌখি।

## জুনিয়র এসিয়ান রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী রাথি অমসুং দিপক গোল্ড লৌখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ২২ঃ*

এসিয়ান জুনিয়র ৱেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপা রেষ্টলর সচিন রাথি অমসুং দিপক পুনিয়া মখোয়-মখোয়গী কেটেগোরিশিংদা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।

ইন্দিয়াগী সচিন রাথিনা কেজি ৭৪ গী কেটেগোরিগী ঙসি পাঙথোকখিবা ফাইনেল বাওটদা মোঙ্গোলিয়াগী রেষ্টলর বেট ইরদেন বিশ্বাসুরেনবু মায়থিবা পীরম্লগা ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী রাথিনা অহানবা পেরিয়দতা মোঙ্গোলিয়াগী রেষ্টলর অদুদগী পোইন্ট ২–৫ দা শোত্থদুনা লৈখি। অনীশুবা পেরিয়দ লোইশিল্লকপদসু পোইন্ট ২–৯ দা শোত্থদুনা লৈরম্লবা মতুং মখা তাবা পেরিয়দশিং অদুদা য়াম্না ফজখিবদগী মোঙ্গোলিয়াগী রেষ্টলর অদুবু মায়থিবা পীরম্লগা গোল্ড মেডল লৌখিবনি।

নুপাগী কেজি ৮২ গী ঙসি পাঙথোকখিবা ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী দিপক পুনিয়ানা টুর্কমেনিষ্টানগী রেষ্টলর অজাট গাজয়েভপু য়াম্না হেনবা মওংদা মায়থিবা পীরম্লগা ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

কেজি ৬১ গী কেটেগোরিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী নুপা রেষ্টলর সুরজ রাজকুমার কোকাটে ঙসি পাঙথোকখিবা সেমি ফাইনেলদা কজাখষ্টানগী রেষ্টলর সিরবাজ টালগাটকী মখূত্তা মায়থিহৌবদগী ব্রোঞ্জ মেডল ফংহৌখি।

ইন্দিয়ানা টিম চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা পুন্না পোইন্ট ১৭৩ ফংলগা অনীশুবা পোজিসন তাখি। ইরাননা পোইন্ট ১৮৯ ফংলগা অহানবা পোজিসন অদুগা উজবেকিষ্টাননা পোইন্ট ১২৮ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

## সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টনগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল জপানগী সায়াকা টাকাহসিনা লৌখ্রে, নুপাগী সিঙ্গলস টাইটলনা চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেননা ফংখ্রে

*সিঙ্গাপোর সিটি, জুলাই ২২ঃ*

সিঙ্গাপোরদা চথরকপা য়ুএস দোলর ৩৫৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল জপানগী সায়াকা টাকাহসিনা লৌখ্রে, নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদুনা চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই চৌ টিয়েন চেননা ফংখ্রে।





ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই জপানগী সায়াকা টাকাহসিনা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনাগী গাও ফাংজৈবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২৫–২৩, ২১–১৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখি।

সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ শান্নরোই চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেননা অতোপ্পা চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই সু জেন হাওবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৩, ২১–১৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টন টুর্নামন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা ৫শুবা সিদেদ পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী মোহমদ অসান অমসুং হেন্দ্রা সেটিয়াৱাননা চাইনাগী পেয়র উ জুৱানি অমসুং রেন জিয়াংয়ুবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৩, ২১–১৯ দা থোইরম্লগা টাইটল লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা ৫শুবা সিদেদ পেয়র জপানগী অয়াকো সাকুরামোটো অমসুং য়ুকিকো টাকাহাটানা অতোপ্পা জপানগী পেয়র নামী মাটসুয়ামা অমসুং চিহারু সিদাবু ১৬–২১, ২৪–২২, ২১–১৩ দা থোইরম্লগা টাইটল লৌখি।

মিক্স দবলসকী টাইটল অদুনা ২শুবা সিদেদ পেয়র মালেসিয়াগী গো সুন হুৱাট অমসুং সেভোন জেমী লাইনা অহানবা সিদেদ পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী টোন্টোৱি অমসুং লিলিয়ানাবু ২১–১৯, ২১–১৮ দা থোইরম্লগা ফংখি।